**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ইতা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্ককী মীহুৎ কাংবু অমগা ঙরাং মহাক্কী ওফিস সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অমা অমদি অতোপ্পা আইন কায়বা থবক তৌবা মীওই অনি ফারে।

অমসুং

৩) থিবা খঙদনা লৈরকখিবা মীওই ১১৮ দিল্লি পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে, মীওইশিং অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে।

------

উন্নবা (এল)ঃ রাজিভ গান্ধি খেল রতা এৱার্দ ফংখ্রবী এন. কুঞ্জরানি দেবীনা লুচিংবা ইতা নোর্থ ইষ্ট ৱিমেন্স নেটৱার্ককী মীহুৎ কাংবু অমগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে। সংস্থান অসিনা রিলিফ অমসুং রিহেবিলিতেসনগী থবক থৌরমদা নুপীশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌদ্না চংশিনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎখি। উন্নবা অদুদা খন্নখিবা ৱাফমশিং কুপা য়েংশিল্লগা সরকারনা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা মীহুৎ কাংবু অদুদা থাজবা পীখি।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোলদা লৈবা ৱাংদৈ মৈতৈ লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অমা, মীয়ামদগী

নমদুনা শেল খায়বা মীওই অমা অমসুং আইন কায়বা থবক চথুরম্বা মীওই অমা ঙরাং ফারে।

মণিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুম্বা অমদি আইন কায়বা থবক চথুবশিং লেপ্তুনা ফাগৎপগী থবক চথুরি। মদুগী মনুং চন্না মীওইশিং অদু ঙরাং ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অদুদগী মোবাইল ফোন মরি অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে।

ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা ঙরাং পেসেঞ্জরশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথুবদা কানি কিলোগ্রাম অনিরোম ফাগৎপা ঙমখি। নেসনেল হাইৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গাড়ি ১৮৪ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবগীদমক সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলে। সেক্যুরিতিগী কনভোই থমদুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা থবক কয়া পায়খৎলে। মখা তানা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তমগী চিংনবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক মখা তানা চথুরি।

জিরিবাম (এল)ঃ সি.আর.পি.এফনা মসিগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তরগী সি.আর.পি.এফনা জিরিবামগী চম্পানাগর ভিলেজগী খুঞ্জাশিংদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা সোলার লেম্প ৫০, ঈশিংগী পাইপ ২০, ঈশিং হাপবা পাত্র ৫ অমদি সোলার ষ্ট্রিট লাইট ৬ য়াওরি। পোৎ চৈ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা পুন্না চম্পানাগরগী খুঞ্জা ১২০ লোমা শরুক য়াখি। সি.আর.পি.এফনা জিরিবাম জিলাদা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎখিগনি হায়বগী থাজবা পীখি। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগগী মরক্তা অফবা মরী থম বগীদমক থৌরাং অসি পায়খৎপনি হায়রি।

য়াওশঙ (এল)ঃ  মণিপুরদা নুমিৎ ৫ নি চথ্নগদবা য়াওশঙ কুম্মৈ মহৌশাগী চৎনবী অমদি হরাউ তয়ান্বগা লোয়ননা ঙরাংদগী হৌখ্রে। লৈকাই লৈকাইদা য়াওশঙ মৈ থাবা, অঙাংশিংনা যুমথোং যুমথোংদা চংদুনা নাকথেং নিবা, হোলি পালা শকপা, নুমিদাংগী মতমদা থাবল চোংবনচিংবনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা য়াওশঙ স্পোর্টস পাঙথোকবগীদমক ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরিবা কংলা অমদি অতৈ লাইশঙশিংদগী মৈরা লোবা লাকখি। ঙসিসু য়াওশঙ স্পোর্টসকীদমক মৈরা লৌবা লাকবা লেপত্রি।

বোদি ঃ ইন্দিয়ানা বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন (আই.বি.বি.এফ.এফ) না শিনদুনা থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা মহারাস্ত্রগী পুনেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৬ শুবা সেনিয়ার নেসনেল, ৬৩ শুবা জ্নিয়ার নেসনেল অমদি  ৬৩ শুবা মাস্তর এন্দ ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ মেন এন্দ ৱিমেন-২০২৬ তা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুর টিম শেমবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল ইন্দিয়ানা বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস ফেদরেসনদগী খঙবা য়াগনি।

অসাম ঃ     অসাম বিধান সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা কংগ্রেসকী মীওই ৪২ গী মীং লাউথোকখ্রে। ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতি (এ.আই.সি.সি)গী জেনেরেল সেক্রেতরি কে.সি. ভেনুগোপালনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-দলগী সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিনা মীরেপ ৪২ গী মীং অদু ঙরাং লাউথোকখিবনি।

অসামকী কংগ্রেস দলগী প্রসিদেন্ট গৌরব গোগোইনা জোরহাৎ বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইগনি। দলগী লুচিংবা দেব-ৱ্রতা সাইকিয়ানা মাজিরা সিটতা, রাজ্য সভাগী হান্নগী এম.পি. রিপুন বোরানা বরচালা বিধান সভা কেন্দ্রদা, মিরা বোরঠাকুর গোস্বামিনা দিসপুর বিধান সভা কেন্দ্রদা অদুগা ইন্দ্রনিল পেগুনা মাজ্লি বিধান সভা কেন্দ্রদা মীখল থেংনগনি।

দিল্লি ঃ দিল্লি পুলিসনা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথবদা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা মীওই ১১৮ কনবা ঙমখ্রে অমসুং মখোয় মখোয়গা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে। কনবা ঙল্লবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা শকখঙদবশিংনা ফাখিবা অঙাং ৩১ অমদি অতোপ্পা মীওই ৮৭ য়াওরি।

মীওইশিং অদু থিবা খঙদ্রে হায়বগী ৱাকৎ হেক ফংবগা দিল্লি পুলিসনা ওপরেসন মিলাবকী মখাদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরকপনি। পুলিসকী কাংবু অদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খিনবা সি.সি.টি.ভি ফুতেজশিং মতেং লৌখি। মসিগী মথক্তা মাংখ্রবা মীওইশিং অদুগী ফোটো অমদি ঈ-রিক্সোশিংগী পার্কিং, বস টরমিনেলশিং অমদি রেলৱে ষ্টেসনশিংদা থেৎতুনা মখোয় অদু ফংনবা হোৎনবদা দ্রাইভর অমদি কন্দক্তরশিংগী মতেং লৌখি। পুলিস ষ্টেসনশিংগা নকবা অমসুং হোস্পিতালশিংগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদগী ঈ-পাউ কয়ামরুম লৌদুনা মাংখ্রবা মীওইশিং ফংনবা হোৎনখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- কুৱেটকী লুরবা তাঞ্জা অসিদা ভারতনা কুৱেট মীয়ামগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপ্লি। প্রধান মন্ত্রিনা কুৱেটকী ক্রাউন প্রিন্সতা ঙরাং টেলিফোন তৌদুনা কুৱেটতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। লৈবাক অদুগী নীংতম্বা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা থোকহন্নবগীদমক হিংশাগী থবক চথরিবা কয়া অদুবু প্রধান মন্ত্রিনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি। টেলিফোনদা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অদুদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা ৱারী শান্নবা অমসুং কুতনিতিগী ওইবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈবশিং অদু পনখি। লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিং অশোই অঙাম থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীরকপগীদমক কুৱেটকী লুচিংবশিংবু প্রধান মন্ত্রিনা থাগৎখি।

প্রধান মন্ত্রিনা কটারগী অমির অমসুং ওমানগী সুরটানগসু টেলিফোনদা ৱারী শান্নদুনা নোংচুপ এসিয়া লমদমদা হন্দক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নদুনা করি থৌরাং পায়খৎপা য়াবগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি।

ওমানদা লৈবা ভারত মচাশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা মতিক চাবা থৌরাং পায়খৎপগীদমক্তসু প্রধান মন্ত্রিনা ওমানগী লুচিংবশিংবু থাগৎখি।

জন ঔসাদি ঃ কেন্দ্রগী কেমিকেলস অমসুং ফরতিলাইজরস মন্ত্রালয়না লৈবাক শিনবা থুংনা জন ঔসাদি সপ্তাহ ২০২৬ পাঙথোক্লি। পালন থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মগুন লৈবা হিদাক লাংথকশিং চান্নবা মমলদা ফংহনবনি। ঙরাং চয়োল পালন অসিগী হুমি চনবা নুমিৎতা কেম্প ৪৭ পাঙথোক্তুনা মীওই লিশিং কয়া কোনশিনবা ঙমখি। নুপী, অহল ওইরবশিং অমসুং অঙাংশিংগী ওইবা হকশেলগী চ্যেকঅপ কয়া পাঙথোকখি। ডাক্তরশিংনা লেমা লায়েংবগী কেম্প কয়ামরুম চখ্খি। লায়েংলবা মতুংদা জন ঔসাদিগী হিদাক লাংথকশিং লেমা য়েন্থোকখি। কেম্প অসি থা অসিগী ৭ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা চখ্খগনি।

নেপাল ঃ নেপালদা ভোতর কোতি ১ লাখ ৮০ না হয়েং পাঙথোক্কদবা মীখলদা লৈবাক অদুগী অনৌবা লুচিংবা খনগদৌরি। ভোৎ থাদগদবা পুং ৪৮ গী মমাংদা লৈবাক অদুদা রাজনীতিগী কেম্পেন অমত্তা পাঙথোক্ত্রে। মীখল অসি নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ নেপালনা অকনবা থবক লৌখৎলে। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা জেনজি য়ুথ লাখ ৮০ অহানবা ওইনা মীখল অসিদা ভোৎ থাদগদৌরি। মীখল অসিদা ভোতর অমমমদা সহি তৌরবা বেল্লোট পেপর অনি অনি পীগনি। অহানবা বেল্লোট পেপরনা মখোয়না পান্বা মীরেপশিংদা ভোৎ থাদগনি অদুগা অতোপ্পা বেল্লোট পেপর অমনা মীখল লোইরবা মতুংদা কনাবু লুচিংবা ওইহনবা পান্বগে হায়বদু লেপথোকবা ভোৎ পীগনি। লৈবাক অদুগী মহৈ তম্ফমশঙশিং, অনা লায়েংশঙশিং অমদি সরকারগী বিল্ডিংশিং পোল্লিং ষ্টেসন ওইনা শিজিন্নগনি। ভোৎ অয়ুক পুং ৭ তগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা থাদনগনি। মীখল অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দল ৬৫ গী মীরেপ লিশিং ৩,৪০৬ লম্বা থেংনগনি।

লান ঃ ইরান অমসুং অপুনবা ইজরেল অমদি য়ু.এস. ফোর্সশিংনা মীসাইল অমসুং দ্রোন এট্টেক নৌনা চত্থরকপদগী নোংচুপ এসিয়াগী ইরাং হেন্না কনশিল্লে।

খ্বাইদগী নৌনা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইজরেলনা তেহরান অমসুং বৈরুটকী মিলিটরিগী লান্মী লৈফমশিংদা মতম অমত্তদা লান্দাখি। ইজরেল দিফেন্স ফোর্স (আই.দি.এফ) কী পাউনা হায়-হৌজিক মসিগী লান্মীশিংনা খা থংবা লেবানন অমসুং অতৈ মরুওইবা শিমানা পরিংশিংদা মতম অমদা হেক্তা লান্দাবা য়ানবা শেম শাদুনা লৈ।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মেগা মরী লৈননা প্রেস ছুতি ওইখিবদগী ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে। চীংগী জিলাশিংদা ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ খরা লৌখৎচরি।

তমেংলোংদা ফোংবা দ গানফিউ মেলদা- মীয়ামা শেল খায়নরগা শেমখিবা অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ শমহনবা জেলিয়াংরোং এরিয়াগী লম্বী শেন্বা লোইশিল্লক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

কুকি ইনপী মণিপুরনা মখোয়গী কাংলুপকী লুচিংবা ওইনবগীদমক আইন কায়না ক্লেম তৌরকপশিংগী মথক্তা অকনবা ৱাফম থম্লক্লি হায়না পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা পাউচেল- হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দ তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংগী গুদ সেফর্দ স্কুলগী চহি ১০ সুবা দিসিনিয়েল প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতি জিলাদা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী রেল্লি থা অসিগী ৬ তা পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------